# মণিপুরগী মেরিকোম ১সুং সরিতানা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপতা গোল্ড লৌখ্রে চিফ মিনিষ্টরনা বোক্সর অনিগী এচিভমেন্টতা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, মার্চ ২৫ঃ*** মোঙ্গোলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী উলানবাটরদা পাঙথোকখিবা ৬ শুবা এসিয়ান ৱুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী রিপ্রজেন্ট তৌখিবী মঙারক ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখ্রবী এমসি মেরিকোম অমসুং হান্নগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন এসিয়ান টাইটল হোল্ডর লাইশ্রম সরিতানা গোল্ড মেদলশিং লৌবা ঙমখ্রে। মখোয় অনিনা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা মায় পাক্লা গোল্ড মেদলশিং লৌখিবা অদুদা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা নুংঙাইবা অমসুং থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

মোঙ্গালিয়াদা চংখিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা নুপী তরেৎনা শরুক য়াখিবদা মণিপুরগী মেরিকোম অমসুং সরিতা নত্তনা অতৈ শান্নরোইশিংনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিদে। লাক্কদৌরিবা লন্দন ওলেম্পিক্স গেমসতা ইন্দিয়াগী মেদলগী আশা ৱাংনা তৌরিবী মেরিকোম্না কেজি ৫১গী কাংলুপ্তা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। মহাক্না গ্বাংজৌ এসিয়ান গেমস ২০১০দা গোল্ড লৌখিবী চাইনা রেন কনকনবু ১৪-৮ দা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেদল অদু ফংবা ঙমখি।

শান্নখিবা কেজি ৫১গী ফাইনেল বাউট অদুদা মেরিকোম্না অহানবা রাউন্দ লোয়বদা ২-১ দা মাংজিল থানা চংখি। অনিশুবা রাউন্দদা মহাকনা ৭-৩ দা মাংজিল থাদুনা মায় পাক্লবগী ফিভম শেঙ্গা হৌখি। অহুমশুবা রাউন্দ লোয়বদা মেরিকোমনা ১১-৬ দা মাংজিল থাদুনা ফিভম ফন্না লৈখি। অরোয়বা রাউন্দ মরিশুবদা মহাক্না মখা তানা পোইন্ট ৩ লৌখি। ওপোনেন্ট অদুনা পোইন্ট অনিদগী হেন্না লৌবা ঙমদনা মেরিকোমনা বাউট অদু ১৪-৮ তা মায় পাক্তুনা এসিয়ান টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

অঙাং অনিগী মমা ওইরিবী মেরিকোম্না মহাক্কী হান্নগী ৱেট কেজি ৪৮ দগী হায়গৎতুনা ওলেম্পিক্স গেমসতা অহানবা ওইনা হৌদোক্কদৌরিবা নুপীগী বোক্সিংদা কেজি ৫১গী কাংলুপ্তা য়াওনবগী পান্দম থমদুনা শান্নরক্লি। কেজি ৪৮গী কাংলুপ্তা মহাক্না ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন টাইটলশিং লৌখ্রবা মতুংদগীদি কেজি ৫১দা হেনগৎতুনা ওলেম্পিক শান্নবগী আশা তৌরকখিবনি। মমাংগী চহিদা পাঙথোকখিবা গ্বাংজৌ এসিয়ান গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখ্রবা মতুংদা হন্দক্কী ৬ শুবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ৱেট কেটাগোরি অসিদা মহাক্না গোল্ড লৌবা ঙমখি।

কেজি ৬০গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী রিপ্রজেন্ট তৌখিবা মণিপুরগী লাইশ্রম সরিতানা ৱেট কেটাগোরি অদুগী ফাইনেল বাউটতা টাজিকিস্তানগী চোইরৈবা মাভজুনাবু মায়থিবা পীদুনা মহাক্কী গোল্ড মেদল অদু ফংবা ঙমখি। ৱেট কাংলুপ অদুগী মমাংগী এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপকী গোল্ড মেদালিষ্ট মাভজুনাবু পোইন্ট ১৬-৯ দা লাইনা থোইদুনা চেম্পিয়ন টাইটল অদু ফংবা ঙমখি।

শান্নখিবা ফাইনেল বাউট অদুদা সরিতানা অহানবা রাউন্দ লোয়বদা ৫-১ দা মাংজিল থানা চংপা ঙমখি। সরিতানা হেন্না লাকশিন্না শান্নদুনা মখা তাবা পোইন্ট লৌননবা হোৎনখি। অনিশুবা রাউন্দদা সরিতানা মখা তাবা পোইন্ট মরি লৌদুনা রাউন্দ অদু লোয়বদা ৯-৩ দা মাংজিল থাখি। অহুমশুবা রাউন্দ লোয়বদা মহাক্না ১৩-৫ দা মাংজিল থাদুনা মায় পাক্লবগী ফিভম শেমখি। মহাক্না বাউট অদুগী অরোয়বা মরিশুবা রাউন্দদা মখা তাবা পোইন্ট অহুম হাপচিন্দুনা ১৬-৯ দা মায় পাক্তুনা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। মমাংগী এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপশিংদা মেদল কাংদনা লৌরকখিবা সরিতানা লাক্কদৌরিবা লন্দন ওলেম্পিক্স গেমসতা শরুক য়াননবগী আশা ৱাংনা তৌরি।

চেপিয়ন্সিপ অদুদা ইন্দিয়ানা গোল্ড অনি, সিলভর মরি, ব্রোঞ্জ অনি পুন্না মেদল নিপাল লৌদুনা রন্নর্সঅপ ট্রোফিসু লৌখ্রে। চাইনানা ওভর ওল চেম্পিয়ন টিম ওইহৌখি। চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা কেজি ৪৮ গী কাংলুপ্তা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী পিঙ্কি জঙ্গ্রানা সিলভর মেদল ফংখি। মোঙ্গোলিয়ানা বোলোরতুনগী মখুৎতা মায়থিদুনা সিলভর মেদল অদু ফংহৌখিবনি। কেজি ৫৪গীদা সোনিয়া লাথরনা চাইনাগী কে জিয়া লুগী মখুৎতা মায়থিবা সিলভর মেদল ফংহৌখি। কেজি ৬৯ গী কাংলুপ্তা মোনিকা সৰান্না চাইনাগী দোংমৈগী মখুৎতা মায়থিদুনা সিলভর ফংহৌখি। কেজি ৭৫গী কাংলুপকী ফাইনেল বাউটতা ইন্দিয়াগী পুজারানি ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন অমসুং এসিয়ান গোল্ড মেদালিষ্ট চাইনাগী জিনজি লিগী মখুৎতা মায়থিদুনা সিলভর ফংহৌখি।

মরকসিদা ৬ শুবা এসিয়ান ৱুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুরগী এমসি মেরিকোম অমসুং সরিতানা গোল্ড মেদলশিং ফংখিবদা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা নুংঙাইবা ফোঙদোকপা অমসুং থাগৎপগী ৱারোলশিং মেরিকোম অমসুং সরিতাগী ইমুং-মনুংদা থাখ্রে।

কেজি ৫১গী কাংলুপ্তা মেরিকোমনা গোল্ড লৌখিবা অদুবু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি হায়না মহাক্কী চেরোল অদুদা পনখি। তুংদা লাক্কদবা চেম্পিয়ন্সিপ অমসুং মহাক্কী কেরিয়ারদা মায় পাকপা ওইরসনু হায়নসু য়াইফ-মঙ্গল পীখি। সরিতাদসু চিফ মিনিষ্টরনা থাগৎ ৱাহৈশিং অমসুং মহাক্কী এচিভমেন্ট অদুদা নুংঙাইবা ফোঙদোকপগী পাউজেল মহাক্কী ইমুং-মনুংদা থাখ্রে। তুংদা লাক্কদবা চেম্পিয়ন্সিপশিংদা অমসুং মহাক্কী কেরিয়ারদা হেন্না মায় পাকপা ওইননবা য়াইফ-মঙ্গল পীখি। ইন্দিয়া এমেচর বোক্সিং ফেন্দরেসনগী প্রসিদেন্ট অবে সিংহ চৌতালানা ইন্দিয়াগী টিমগী মেম্বর খুদিংমকপু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অমসুং ওলেম্পিক ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী টিমনা নিংবা থুংনা মায় পাকপা ঙম্না ওইরসনু হায়না ফোঙদোরক্লি।